# অচৌবা ফিতনা অমা

ইং কুমজা ১৮৫৭ গী মমাংদা অহলে হদীসকী মমি ফাওবা তারমদে, ফংলমদে। তশেংনমক মসিগী মমি ফাওবা তারমদে। অদুবু বৃটিস সরকারনা পানবা হৌরকপদগী মমি লাকপা হৌরকখি। মুসলমানশিংনা জিহাদকী মাইকৈদা খোং থাংজিনখিবা মতমদুদা অয়েৎপা পীনবা ১দি মদুবু নমথনবগীদমক্তা বৃটিস গভর্মেন্টনা মশাগী অরিবা রুল "তেকনিক এন্দ ডিভাইদ রুল" কৌবা অসি শিজিন্নদুনা লো অসিগী মখাদা থবক পাইখৎপা হৌখিরম্মী। অহানবদা মুসলমান খরদা অচৌবা ফম-লাং, ১দি পৈশা খরা পীরগা অনৌবা ধর্ম অমা পুথোকনবা ১দি শেংলবা ধর্মবু তুংওইনরগা নিংতম্না চৎপা য়াবা অনৌবা ধর্ম অমা শেম্নবা পাওতাক পীরম্মী। "মুকল্লিদীন" হায়বদি ইমাম মরিগী তুংইনজরিবশিংবু কৌই। হায়রিবা মুকল্লিদীনশিং অসিগী ময়োক্তা পাইখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা বৃটিস সরকারনা অঙম্বা মতেং পাংলম্মী। মখোয়গী দীন ১দি শর-ঈ মসাইল অয়াম্বা মুসলমান পুন্নমক্তগী তোঙাল্লম্মী। তশেংনমক মখোইগী অনৌবা অকাইড অমা ওইরম্মী। মদু হিন্দুষ্টানগী মুসলমান অয়াম্বনা খংলমদে। মখোয়গী জমাঅৎ অসি অহানবদদি মুৱহহিদ হায়না থোল্লম্মী। তৌইগুম্বসুং মসিগী ৱাহৈ অসি কুইনা চৎনবা য়ারমদে। মরম অসিনা মশা মশাবু মুহম্মদীন হায়না মিংথোল্লম্মী। অদুবু মসিগী মমিং অসিসু কুইনা চৎনবা ঙম্লমদে। মরম অদুনা অমুক্কা মখোয়না মমিং ওন্থোকলগা গৈর মুকল্লিদ (ইমাম মরিগী তুংইন্দবা) হায়না মিংথোল্লম্মী। মসিগী মমিং অসি থোল্লগা মজহব মরিগী তুংইনজরিবশিংবু করেম কথাইনদুনা ঐখোয়দি গৈর মকল্লিদনি হায়না অচাওরম কাজরম্মী। তৌইগুম্বসুং মসিগী মমিং অসিনসু মখোয়গী থম্মোয়গী অনিংবা অপাম্বা অদুদি ফংবা ঙম্লমদে। মরমদি হিন্দুষ্টান পুম্বা মুকল্লিদ ঙাক্তা ওইরম্মী। মুকল্লিদশিংগী মরক্তা ঐখোয় খরতা গৈর মুকল্লিদ ওইরগা লৈরে ১দি মুসলমান পুন্নক্তগী নইতোম তারগা লৈরে হায়বসি থুনা য়াংনা খঙখিরম্মী। মখোয়গী মওং মতৌ ১দি ৱাখল্লোন অদু উরগা অৱামশিংনা ৱহাবি হায়না করেম কথাইনবীরম্মী। ৱহাবি হায়বা ৱাহৈ অসি মখোয়দদি অকাম অপেৎকী ৱাহৈদগী হেন্না ফত্তবা ৱাহৈ অমা ওইরম্মী। মদুদগী মখোয় মশেন খন্না নৈনরম্মী। মদুদি ঐখোয়গী জমাআৎ অসি নিংখা তম্বা মজহব মীওইববু শুমহৎপা ঙম্বা, ইস্লামগী সাহিত্যাদা মশেক মঙাল থোকনা য়াওবা অমা ওইফম থোকই হায়না খন্না নৈনরম্মী। মসিগীদমক্তা মখোয়না ইস্লামগী সাহিত্যাদা থিজিনবা হৌরকলম্মী। মদুদা অহলে হদীস হায়রিবা ৱাহৈ অসি ফংলম্মী। ৱাহৈ অসি ফংবগা মখোয়না থুনা য়াংনা খুদক্তা পন্থবা তৌদনা মিং অসি থোনখিরম্মী। ১দি মশানা মশাবু অহলে হদীসনি হায়বা হৌখিরম্মী। অদু ওইরবসু অৱামগী চিনবানদদি ৱহাবি হায়বা অদুমক কৌনরম্মী। অৱামগী ৱাহৈ অসি তারগা অমুক হেন্না অৱাবা ওইরম্মী। করি তৌনি তৌফম খঙখিদ্রে। উপাই লৈত্রদুনা বৃটিস সরকারদা মতেং তৌবিনবা হায়জবা হৌরম্মী। মখোয়গী মমিং অসি অহলে হদীসনি হায়না মীয়ামদা লাওথোকহন্নবগীদমক্তা বৃটিস সরকারগী থোংজিন্দা লেপ্পগা ভিক্ষা নিবা হৌখি। মখোয়গী মনুংদগী অমনা সরকারবু হরাওহন্নবগীদমক্তা "অলইকতিসাদ ফী সবীলিল জিহাদ" কৌবা লাইরিক মচা অমা ফোংলম্মী। লাইরিক অদুদা বৃটিস সরকারগী ময়োক্তা লান্থেংনবা, জিহাদ তৌবা হরাম্নি ১দি না-জাইজনি হায়না ফতৱা (Ref.1) পীরম্মী। বৃটিস সরকারনা চানবীনবগীদমক্তা মখোয়না ইরিবা লাইরিক ১দি মখোয়গী মমিং ওন্নবা তাল্লিবা ডাবি অদু থুংহন্নবগীদমক্তা বৃটিস সরকারনা তাং ১৯/৮/১৮৮৭ তা অহলে হদীস হায়রিবা মমিং অসিদা ওন্থোকপা য়াবগী অয়াবা পীখিবনি (Ref.2)।

*নোটঃ-* অহলে হদীস মাখোয়গী মমিং ওন্থোকপিনবা বৃটিস সরকারদা পিখিবা চিঠিশিং অদুগী ৱাহৈশিং অদু করিগুম্বা য়েংনিংলবদি Reference No.3 দা পিরিবা রিসালাহ অসিদা শন্দোক্লা ১দি তফোং-তফোংনা ময়েক শেংনা য়েংবীবা য়াগনি।

## হিন্দুষ্টানগী অহলে হদীস অরবতা মওং করম্না:-

ইন্দিয়া মচা অরবতসু অহলে হদীস লৈ। ঐখোয়গা মখোয়গা চৎনা পথাপ, নিতি নিয়ম, মসাইল ১দি অকাইদ চপ মান্নে হায়না মীয়াম মমাংদা লাওরিবা অসি ফোংনা মচিন থিবনি। অরব মচাদি অয়াম্বা ইমাম অহমদ বিন হম্বলি ১দি ইমাম মালিক বিন অনস (মালিকি)গী তুংইনবা ঙাক্তনি। মখোয়গী মনুংদগী শেখ ইবনে তৈমিয়াহ, শেখ ইবনে কৈয়িম ১দি মুহম্মদ বিন ৱহাব মখোয় অহুম অসি হম্বলি মজহবকী তুংইনবা অচৌবা উলমা-এ-কিরাম ঙাক্তনি। (Ref .4)! মখোয় অহুমসিনা অরব লৈবাকতা অচৌ-অচৌবা থবক কয়া হৌরম্মী। মরম অসিদগী মখোয়গী মচাশিং ইজ্জৎ য়াম্না তৌনৈ। মখোয় অহুমনা দুনয়াদগী খোংশানখ্রবা মতুংদা তুংদা লাকহৌরিবা মচা মশুশিং অসিনা মখোয়না চৎলম্বা দীনে ইস্লাম অদুদা মীৎয়েং থল্লগা মখোয়গী তুংইনবা হৌখিরম্মী। ১দি মখোয়শিং অদুবু সলাফি হায়না কৌরম্মী। চহি চা কয়াগী মতুংদা অরব লৈবাক অসি মাল চাংগী ফিভম য়াম্না ফগৎলম্মী। মতম অদুগী গৈর মুকল্লিদশিংনা মতম অসি য়াম্না তাংনা ফংজবা, মতাং চাবা, মতিক মগুন লৈবা তাঞ্জানি মসিদগী কান্নবা লৌগদবনি হায়না খনখিরম্মী। মসিনা পান্দম ওইরগা মীওই খুদিংমক্লা অহলে হদীস হায়রিবা মিং অসি থদোকলগা সলাফি হায়না কৌবা হৌখিরম্মী। ১দি মখোয়গী ইলমি মর্কজশিংদসু অহলে হদীসতগী সলাফি হায়না ওন্থোক্লম্মী । মওং অসুম্না অরবকী মমিং অসিগা মখোয়গা চপ মান্নহল্লম্মী।

গৈর মুকল্লিদশিং অসিনা অরব সরকারগী ময়োক্তা মতম শংনা নত্ত ওইদবা খোল্লাও কয়া লাওরম্মী। অদুবু পেট্রোল(Crude oil) থাও থোক্লকপা, মাল চাংগী ফিভম ফগৎলকপদগীদি মখোয়দগী কান্নবা লৌবা য়ানবা লাওরম্বা খুদিংমক লেপখিরম্মী। হিন্দুষ্টান ১দি পাকিষ্টান্দা তৌহীদ হায়বদি অচুম্বা দীনে ইস্লামদা লেংদনা লৈরিবসি গৈর মুকল্লিদ ঙাক্তনি, অতৈদি লোইনা মুশরিক অমসুং বিদঅৎতিনি হায়না অরানবা প্রোপগন্দা অমা শন্দোকলম্মী। হায়রিবা মখোয়গী ৱাহৈ অমদি মওং মতৌ অদুদা থজরদুনা সাউদি সরকারনা দীনে ইস্লাম অসিবু অচুম্বা মওংদা শন্দোকনবা, শির্ক বিদঅৎপু মুথৎনবা, দীনে মদর্সাশিং, মকতবশিং ১দি মসজিদশিং শাননবা দরকার ওইবা মাল চাং খুদিংমক লৌনবা লম্বেল চাওনা ফাৎপিরম্মী। মদুদগী লাকপা শেন্থং অদুননি ঙসি হিন্দুষ্টানদা ফিতনা শন্দোকনবা ১দি মীওইববু অরানবদা লমজিংনবা হোৎনরিবসি।

*নিংশিংবিয়ু :- মখোয়গী হৌরকফম দুনয়াগী মাল-চাং, সনা-লুপা, জমীন জাইডাদ খরদা মীহৌবদগীনি। মওং অসুম্না অরবকা মরি লৈনরকপসু মশাগী কান্নবা লৌনবা ১দি হিন্দুষ্টান্দা ফিতনা শন্দোকপদা লায়নবগীদমক্তনি। মসিদগী পাবিরিবশিংনা হেন্না খংলল্লনি। মখোয় কয়াম শেংবা ১দি মাংবনো, কয়াম চুম্বা ১দি লানবনো হায়বা। সাউদিগী কাজী, মুফতি ১দি উলমা-এ-কিরাম পুন্নমক অয়াম্বনা হম্বলি ১দি মালিকী মজহবকী তুংইনবা ঙাক্তনি। সাউদি সরকারগী শেল্লিবা অইন (Law) ১দি লেপ্লিবা ৱারেপ খুদিংমক মজহব অনিসিগী নিতি-নিয়ম মখাদনি। অদুবু অয়াম্বনা হম্বলি মজহবতা মীৎয়েং থম্মি। (Ref.5)*

## অহলে হদীসকী মল্লবা ১দি মক্লবা অকাইদ খরা:-

১- অল্লাহ মফম খুদিংমক্তা লৈতে।

২- অল্লাহ হায়বা ৱাহৈ অসি হায়রগা জিকর তৌবা বিদঅৎনি।

৩- রামচন্দ্রা, লক্ষমন, ১দি কৃষ্ণনচিংবা নবীনি।

৪- ইসা (অ,স) মপা য়াওদনা পোকপা নত্তে। মাগী মপা লৈ।

৫- হজরৎ ইসা (অ,স) শিখ্রে। দুনয়াদা অমুক লাকলরোই। ডজ্জালসু থোক্লকলরোই । ইমাম মেহদীসু লাক্লরোই।

৬- খুটবাদা খলিফা মরিগী মমিং লৌবা বিদঅৎনি।

৭- হজরৎ আইশহ (র,অ) হজরৎ অলী (র,অ) গা খৎনা-চৈনরগা লাম্হেৎনরগা মুর্তদ ওইখ্রে। করিগুম্বা তৌবাহ তৌদবীদা শিখিবা ওইরবদি কাফিরনি।

**অসতগফিরুল্লাহ** কয়াদা কনখ্রবা ৱাহৈশিংনো? মসিদা নত্তনা চাওরা- চাওরবা সহাবা-এ-কিরাম মরম অমদা নত্তা ওইদবা বদনাম তৌরিবনি। অল্লাহনা ঐখোয় নখোয়বু অহলে হদীসকি ফিতনাদগী কনবিবা ওইসনু।

## অহলে হদীসকী তুকৎচরবা মসাইল খরা:-

১- য়েন কুর্‌বানি তৌবা জাইজনি।

২- ৱুজু য়াওদনা কুরআন পাইবা জাইজনি।

৩- করিগুম্বা নামজ শোল্লিঙৈদা য়ুমদা থোং হাংনবা হায়রক্লে, তৌইগুম্বসুং থোং হাংবিনবা কনাসু লৈতে। অদু ওইরবদি নমাজ শোল্লিবা মী অদু চৎলগা থোং হাংলুরবসু নমাজ কাইরোই।

৪- য়ুনা থিৎলগা হৌবা তল চাবা জাইজনি।

৫- মনি-ঈ-য়ুং, ওক নত্তবা অতৈ শা যনগী ময়ুং শেংই।

৬- মনম নমথিবা অপুম্বা পোৎনচিংবা চাবা জাইজনি।

৭- ওক ১দি হুইগী অরেম্বা ঈশিং অসি শেংই।

অল্লাহু অকবর- মশানা মশাবু অহলে হদীসনি হায়জরিবশিং অসিগী মল্লবা ১দি মক্লবা অকিদহ অমসুং তুকৎচরবা মসাইল অসি খক্তা নত্তে। মশিং থিঙম্দনা য়াম্না লৈখ্রে। মফম অসিদা তোল্লবা বনদানা অৱাম ইচিল ইনাওশিং লৌশিং লৈনবা খরা খজিক পঞ্জখিবনি। ইস্লামগী ফিজোল শেৎলগা, হকচাংদা এতর-অম্বর তৈরগা, চিনবানদা খোয়থুমলবা ৱাহৈ কয়া শিজিন্নদুনা করিসু খংজ হৈজদ্রবা অৱামবু লমুক্লহন্নবা হোৎনরি। ঐখোয় খুদিংমক মখোয়গী লাংদা থুদনবা হোৎনগদবনি। লুপা পৈশা খরগীদমক ইশাগী ঈমান য়োল্লোয়দবনি। মখোয়গী অকিদহ অমদি মসাইলশিং অসি কুরআন হদীসকী ওন্না তৈনবা ঙাক্তনি।

মখোয়গী ৱারেং য়াম্না শাংই অদুবু মফম অসিদদি য়াম্না তেন্না ইজখ্রবনি। অকীদহ ১দি মসাইলগী মথক্তা পীখ্রিবা Ref.শিং অসি মখোয় মশাগী লাইরিকশিংদগী ঙাক্তনি। অল্লাহ তআলানা ঐখোয় পুন্নমকপু হায়রিবা কাংলুপ অসিদগী কনবিবা ওইসনু। অমীন।

## Reference:

১। গৈর মুকল্লিদীনশিংগী ডাইরি লমায় ২৫৫

২। ফিরকহ-এ-অহলে হদীসকী তহকীকি জ্যইজহ লমায় ৩৬

৩। ইশাঅতুস-সুন্নতি নবৱিয়তি, হিরম:- ফিরকহ -এ-অহলে হদীস ওর গভর্মেন্ট
ভৌলুম ন: ৯ ইসু ন: ৭ লমায় ১২৭ দগী ২২৪ ফাওবা

৪। তকলীদ ওর মসলকী ইখতিলাফকী হকীকৎ লমায় ৮৫, ৮৬, ৮৭, ৯৬

৫। কুছ ডের গৈর মুকল্লিদীন কে সাথ লমায় ৯১ দগী ১২৪ ফাওবা

6. Fatwa Sitariyah vol. 3 page 56
7. Kheirul Barahin(Al Bunyanul Marsus ki page 73 da hawala piraga iri) page 49
8. Hadyatul Mehdi vol.1 page 85
9. Al Itrul Balig page 175
10. Al Itrul Balig page 75
11. Hadyatul Mehdi vol.1 page 110
12. Kashful Hijab page 21
13. Fatawa Sitariyah vol.2 page 72
14. Arful Jadi page 15
15. Kanjul Hakaik page 28
16. Kanjul Hakaik page 104
17. Kanjul Hakaik page 12
18. Najlul Abrar vol.1 page 54
19. Najlul Abrar vol.1 page 49

**Note:**

Reference 6 tagi 19 faoba asigi hawalasing asi Firqa-a-Ahle hadith ki tahkiki jaijah, geir muqalliddon ki poshida raaz amadi fitna-e-geir muqallidiyat ki chand zalkiya kouba lairikshing asidasu yaoribani.

-Moulana Ziaul Haq Nadwi